
# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, OCTOBER 29, 2019 **PAGE 7**



*জপানদা পাঙথোকখিবা জোজো চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌদুনা মশাগী কেরিয়রগী ৮৩শুবা টাইটল লৌখ্রবা টাইগর বুদস*

*স্বিজ ইন্দোর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা কেরিয়রগী ১০৩ শুবা টাইটল লৌখ্রবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর*



## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৯-২০ ঃ* বেঙ্গালুরু এফ সি অমদি এফ সি গোৱা গোল ১-১ চন্নরগা দ্রো চংখ্রে



*পানাজি, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সি অমদি গোৱা গোল ১-১ চন্নরগা দ্রো চংখ্রে।

গোৱাগী সিটি পানাজিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা বেঙ্গালুরু এফ সি শান্নখিবা মেটচ অসিগী ১০শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সিদা শরুক য়ারিবা উদান্ত সিংহনা পীরকপা য়াম্না ফজবা ক্রোস অমা টিম অসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা হেদ্দিং তৌশিনবদা মায়োক্নবা টিমগী গোলকিপরদা ঙাকথোকখিবদগী বেঙ্গালুরু এফ সিনা ঙন্না পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা হান্না গোল চনশিনবা ঙম্নবগী তাঞ্জা লৌনবা হোৎনদুনা লাকখি। মেটচকী ৩৯শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা গোল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমসু নাম্থোকখি।

টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচ অসি মায়কৈ অনীগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না লম্বা মান্ননা লাকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না কনশিল্লক্তুনা গোৱাগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিনবা হৌরকখি। মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা উদান্ত সিংহনা এফ সি গোৱাগী শান্নরোই মোহমদ নৱাজ লাম্থোক্তুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা মহাক্কী ওইথংবা খোঙনা কাওশিনবদা গোল ওইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা গোল শোত্থরিবা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই মোরদাটা ফোলনা হেদ্দিং তৌশিল্লকখিবা বোল অমা গোল পোষ্টতগী খজিক্তমক থৈদোক্তুনা চৎখিবদগী ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অদু মাঙজখি।

মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোই জেকী চান্দনা পীরকপা ক্রোস অমা মনভির সিংহনা নীংথিনা কলেক্ট তৌবা ঙমহৌদবদগী ইক্বেলাইজর ওইবগী খুদোংচাবা অমসু মাঙজখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা ৩শুবা মিনটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই ফেরান কোরোমিনাসপু বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোই আশিক কুরুনিয়াননা পেনাল্টি বোক্স মনুংদা তুহল্লুবদগী গোৱানা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই ফেরান কোরোনিমিনাসনা গোল ওম্থোক্তুনা মেটচ অসি ১-১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

## ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলস পেয়র সাটৱিক সাইরাজ অমদি চিরাগ সেট্টি ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টনদা রন্নর্স অপ তাহৌরে



*পেরিস, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরকপা য়ু এস দোলর ৭৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী দবলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিক সাইরাজ অমদি চিরাগ সেট্টি মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌরে।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিক সাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টি ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমদি কেভিন সঞ্জয়া সুকামুলজোগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিহৌখি।

অহানবা গেমদা পেয়র অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়রনা ইন্দিয়াগী পেয়রবু ২১-১৮ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অসিদা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেম শান্নরকপদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমদি কেভিন সঞ্জয়া সুকামুলজোনা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিক সাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টিবু ইৱা ৱাদনা পোইন্ট ২১-১৬ দা থোইখিবদগী ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিক সাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টি রন্নর্স তাহৌখি।

ফেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র অনী লম্বা তৌনখি। মসিদা ৫শুবা সিদেদ লি সো হি অমদি সিন সিয়ুং চাননা ৮শুবা সিদেদ পেয়র কিম সো য়িওং অমদি কোং হি য়োংবু গেম ২-১ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

অহানবা গেমদা ৮শুবা সিদেদ কিম সো য়িওং অমদি কোং হি য়োংনা ৫শুবা সিদেদ লি সো হি অমদি সিন সিয়ুং চানবু ২১-১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা লি সো হি অমদি সিন সিয়ুং চাননা য়াম্না অকনবা লম্বা পীরক্তুনা য়াম্না নক্নবা স্কোর পোইন্ট ২১-১৯ দা থোইদুনা পেয়র অনীমক গেম অমমম মান্নখি।


অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেমদা ৫শুবা সিদেদ লি সো হি অমদি সিন সিয়ুং চাননা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমদুনা ৮শুবা সিদেদ কিম সো য়িওং অমদি কোং হি য়োংবু য়াম্না লায়না ২১-১২ দা থোইবা ঙমদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল অসি লৌখি।

পনবা য়াই, ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অন সে য়ংনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু গেম ২-১ (১৬-২১, ২১-১৮, ২১-৫) দা থোইদুনা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন লোংনা ৬শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিবু ষ্ট্রেট গেম ২১-১৯, ২১-১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র প্রভিন জোরদান অমদি মেলাটি দেভা ওক্টাভিয়ান্টিনা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী পেয়র ঝেং সিৱৈ অমদি হুৱাং য়াকিওংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নবা মতুং ২২-২৪, ২১-১৬, ২১-১২ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## ফ্রান্সকী লীগে ৱানদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মার্সিয়েলবু ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে, লা লীগাদা সিভিলা অমদি ওসাসুনা মায় পাকখ্রে



*পেরিস, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টতা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মার্সিয়েলবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা চৎপা ঙম্লি, স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা সিভিলা অমদি ওসাসুনা মায় পাকখ্রে।

পেরিস সেন্ট জর্মেন অমদি মার্সিয়েলনা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী পি এস জিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা মার্সিয়েলগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। মেটচকী ১০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই মাওরো ইকার্দিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু পি এস জিগী শান্নরোইশিংনা এটেক অদুমক চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা টিম অসিনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা মাওরো ইকার্দিনা গোল অমগা চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মার্সিয়েলগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা পি এস জিগী শান্নরোই ফ্রান্স মচা কাইলিয়ান মবাপ্পেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-০ দা হেন্দুনা লৈখিবদগী মার্সিয়েলগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর ননশিল্লকখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট অমা ৱাৎলিঙৈদা পি এস জিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কাইলিয়ান মবাপ্পেনা গোল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা ৪-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মেটচ অসি পেরিস সেন্ট জর্মেননা মার্সিয়েলবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীরমখি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা সিভিলা অমদি ওসাসুনা মায় পাকখ্রে।

সিভিলানা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা গেটাফেবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা অসিদা সিভিলাগী শান্নরোইশিংনা এটেক খরা হেন্না চত্থবা ঙমখ্রবু গেটাফেগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নখিবদগী গোল চনশিনবা ঙমদনা লাকখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা সিভিলাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা সিভিলাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা চিচারিটোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা সিভিলাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অতোপ্পা শান্নরোই লুকাস ওকেম্পোসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ২-০ দা মায় পাকখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ওসাসুনানা ভেলেন্সিয়াবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচকী অহানবা গোল ১৪শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই রোদ্রিগো মোরেনোনা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ৩৪শুবা মিনটতা ওসাসুনাগী শান্নরোই ওয়রনা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা অহুমশুবা মিনটতা ওসাসুনাগী অতোপ্পা শান্নরোই রুবেন গার্সিয়ানা গোল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা ওসাসুনাগী শান্নরোই পরভিস ইষ্টুপিনাননা গোল অমা চল্লগা মেটচ অদু গোল ৩-১ দা মায় পাকখি।

## ইন্দিয়াগী জোস্না চিনাপ্পা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*কাইরো, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইজিপ্তনা য়ুম্বু ওইরগা চত্থরিবা ৱার্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পা মায় পাক্তুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱার্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পানা হোং কোংগী শান্নরোই হো জে লোকপু গেম অনী ১১-৫, ১১-৪ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ হোং কোংগী শান্নরোই হো জে লোক শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পা মায় পাক্তুনা কাঙলূপ অসিগী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১২শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পা ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইজিপ্তকী শান্নরোই অনীশুবা সিদেদ নোর ইল সেরবেনিগা লম্বা তৌনরগনি।

লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইজিপ্ত ওপনদা ইন্দিয়ানা নুপা শান্নরোই সৌরব ঘোসালনা অহুমশুবা রাউন্দদা হোং কোংগী ফুং য়িপপু ১১-৯, ১১-৫, ১১-৪দা থোইরবা মতুং মথংগী রাউন্দদা ইজিপ্তকী শান্নরোই ফারেস দেসৌকিগী মখূত্তা ১১-৬, ১১-৫, ১১-৫ দা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

## ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ভিএনা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



*ভিএনা, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রিয়াগী সিটি ভিএনাদা পাঙথোকখিবা ভিএনা এ টি পি টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোই দোমিনিক থিয়েমনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বাটজমেনবু সেট ২-১ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেট আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বাটজমেননা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা দোমিনিক থিয়েমগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা পীরকপদগী স্বাটজমেনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইখিবদগী ফাইনেল মেটচ অসিদা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নরকখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেটতা ৱার্ল্ড নম্বর ৫ সু ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই দিএগো স্বাটজমেনগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অসি ৬-৩ দা মায় পাক্তুনা ভিএনা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা য়ু এসকী রজিব রাম অমদি বৃটেনগী সালিসবরিনা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬-৪, ৬-৭ (৫-৭), ১০-৫ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা পাও অমদা স্বিটজরলেন্দদা ঙরাং লোইশিনখিবা স্বিজ ইন্দোর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক্কী শান্নরোই রোজর ফেদরর মায় পাক্তুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ১০৩শুবা সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-২, ৬-২ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙরাং স্বিজগী টাইটল লৌখিবা অসিনা মহাক্কী ওইনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০রকশুবা টাইটল ওইখি। স্বিজ ওপনগী টাইটল অসি থারগা চহী অসিগী ৪রকশুবা টাইটলনি।

## হোক্কী ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা কানাদানা আয়রলেন্দবু পেনাল্টি সুট আওটতা গোল ৫-৪ দা থোইদুনা ক্বালিফাই ওইখ্রে

*ব্রেষ্ট ভেনকোভর, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

টোকিওনা য়ুম্বু ওইরগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক চত্থরিবা ওলেম্পিক হোক্কী ক্বালিফায়রদা কানাদাগী নুপা টিম্না আয়রলেন্দবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৫-৪ দা থোইদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

কানাদাগী সিটি ব্রেষ্ট ভেনকোভরদা কানাদা অমসুং আয়রলেন্দনা শান্নখিবা অনীশুবা লেগকী মেটচতা য়ুম্বু কানাদানা আয়রলেন্দবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী ৬শুবা মিনটতা আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই জোন মেককিনা ফিল্ড গোল অমদা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

গোল শোত্থরিবা কানাদাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নরকপদা এটেক হেন্না চত্থদুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ২১শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই গোরদোন জোষ্টোননা পেনাল্টি কোর্নর অমদা গোল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা কানাদাগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা অনৌবা লাল্লোং কয়া শিজিন্নদুনা লাকখি। মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই ওলিভর স্কোলফিল্ডনা ফিল্ড গোল অমদা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

মতম কুইনা টিম অসিগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ইনজুরি টাইমদা কানাদানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অসিগী শান্নরোই স্কোট টুপ্পরনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি ৩-১ দা মায় পাকখি।

টিম অনীনা মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচতা আয়রলেন্দনা কানাদাবু গোল ৫-৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মেটচ অনীগী রিজল্ট য়েংনবদা টিম অনীমক এগ্রিগেটতা ৬-৬ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইনবা টিম খন্নবগীদমক পেনাল্টি সুট আওট তৌনখি।

পেনাল্টি সুট আওট তৌনবদা কানাদানা আয়রলেন্দবু গোল ৫-৪ দা থোইদুনা ওলেম্পিক গেমস অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্না গেমস অসিদা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা রুশিয়াগা অহানবা অমসুং অনীশুবা লেগ শান্নগনি। করিগুম্বা ইন্দিয়ানা মায় পাক্লবদি ক্বালিফাই ওইরগনি।

### ক্রোসৱার্দ ৩২১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | E | D | S | | F | R | A | N | C | | A | C | A | D |
| I | N | R | I | | R | E | B | E | L | | Z | O | N | E |
| M | O | O | N | | O | L | I | V | A | | U | V | E | A |
| E | S | P | | A | M | A | T | | S | H | R | E | W | D |
| | | S | A | S | S | Y | | | S | U | E | R | | |
| H | I | T | S | A | T | | S | K | I | M | | O | B | I |
| U | G | H | S | | E | T | H | I | C | | A | N | O | N |
| F | L | E | E | | M | O | A | T | S | | R | E | I | N |
| F | O | S | S | | T | I | G | H | T | | E | S | S | E |
| Y | O | U | | P | O | L | S | | R | E | N | T | E | R |
| | | B | R | A | S | | | S | U | G | A | R | | |
| A | D | J | U | S | T | | P | O | G | O | | A | L | B |
| P | O | E | T | | E | W | I | N | G | | S | C | A | R |
| E | T | C | H | | R | E | N | A | L | | O | K | R | A |
| S | E | T | S | | N | I | T | R | E | | P | S | S | T |

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Konthoujam, IMPHAL WEST

Ref. : Mutation Case No.882/SDC/IW(K) /2019

1. Phurailatpam Dinachandra Sharma S/o (L) Ibohanbi Sharma of Sagolband Nepra Menjor Leikai
2. -Do- Romi Devi W/o (L) Robindro Sharma of -do-

Petitioners

-Vs-

Late Phurailatpam Sanaojba Sharma S/o (L) Leiri Sharma of Sagolband Nepra Menjor Leikai

O.P.Party

**NOTICE**

The 26/10/2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Phurailatpam Sanaojba Sharma পীং মৃঃ Leiri Sharma সাং Sagolband Nepra Menjor Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 81- Moidangpok গী অনৌবা পাট্টা নং 284 দাগ নং 2183/2326 অমসুং এরিয়ানা .54+1.44 acre চাওবা Anganphou লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিং লবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

RP